চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# সনালৈবাক

IMPHAL,SATURDAY, 19 MARCH 2016
থাংজ, লমতাগী ১১ নি পানবা

e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 112 Page : 8 | Price: 3.00

HOLY TATA SKY FREE
SAMSUNG 40" LED
FREE SAMSUNG MICRO WAVE ₹ 6100/-
SAMSUNG 40" LED
₹ 39999/-
ALSO AVAILABLE
SAMSUNG 32" LED
₹ 23999/-
FREE SAMSUNG MICRO WAVE
₹ 6100/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR
SARAJEEVAN ENTERPRISES, PAONA BAZAR
CHINGTAM, KHOYATHONG RD., ANAND HOTEL




২০০৩গী জুলাই ২৩দা খ্বায়রম্বন্দ কৈথেল ময়াইদা থোকখিবা টি ঐচ রবিনা অমদি সঞ্জিৎ মীশিগী জষ্টিস পুথোকউ হায়দুনা রার্কিং কম্মিটি ওফ দি অপুনবা লুপনা শিন্দুনা ঙসি কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ৰাকৎ মীফম চথখিবা

TATA SKY FREE
HOLY SPL. DISCOUNT
LED 40HH = ₹ 28500/-
LED 32" (3 YRS) = ₹ 18000
3 YRS WARRANTY
22" FULL HD TV = ₹ 11000
24" FULL HD TV = ₹ 12000
32"+ SAMSUNG DVD = ₹ 19500
WASHING MACHINE SPL DISCOUNT
6KG ₹ 8200 = ₹ 7600
7.2KG ₹ 9990 = ₹ 8500
7.3KG ₹ 11690 = ₹ 9500
7.5KG ₹ 11990 = ₹ 10200
150LT REFRIG: = ₹ 8500
170LT REFRIG: = ₹ 10000
190LT REFRIG: = ₹ 10500
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

ঙসিগী অঙৈং–অশা
শাবগী চং ঃ ৩৪° সি
ঈংবগী চং ঃ ১০° সি
নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চং চাদা ঃ ২৮
নোংজুগী চং : ০ এম এম

## ৰাখলগী চিঙ্গাক

খঙদবদা করিসু ইকায়নিংঙাই ওইদে, ইকায়নিঙাই ওইরিবদি খঙনবা হোৎনবদুনি

## অহানবা কাখল

# মোরেদা বোম পোকখায়খ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল মার্চ, ১৮ ঃ ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৩৫ রোম তাবদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে পুলিসকী মনুংচনবা ৱার্দ নম্বর–৩ দা শকখঙদবশিংনা ফিট তৌদুনা থম্লম্বা বোম অমা পোকখায়খ্রে।

বোম পোকখায়খিবা অদুদা মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে অদুবু অকোয়বা মফম কয়াদা বোম মচেৎনা পানবগী অকায় অতোয়শিং থোকখি। পোকখায়খ্রবা মতুং মোরে পুলিস অমদি অসাম রাইফলসকী অহেনবা টিম মফম অদুদা চংশিন্দুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা থিবা হুন্বগী থবক চথখ্রে। কনানা করি মরমগীদমক বোম অদু পোকখায়হনবনো হায়বগী পাউ প্রেসনা চপ চানা ফংবা ঙমদ্রি। কনাগুম্বা লুপ অমত্তনসু হৌজিকফাওবা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

# লোন্না শেল লৌথোকখ্রে

এসএনএস


ইম্ফাল মার্চ, ১৮ ঃ ইম্ফালগী পাওনা বজারদা লৈবা পঞ্জাব নেস্নেল বেঙ্ককী একাউন্টদগী মশা খংহন্দনা শেল লৌথোকখ্রে হায়না একাউন্ট মপু ওইরিবা ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাঙ্খেং লৈকাইদগী লাইশ্রম রনবির সিংহ(৪৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা চাওবনা সিটি পুলিসতা ৰাকৎলকপদগী পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

লাইশ্রম রনবিরনা পীশিল্লকখিবা ৰাকৎ অদুনা পনলিবদি চহী অসিগী জনুৱারিগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা মহাক্কী একাউন্ট নম্বর ২৭৭৫০০০৪০০০২২৫৬৮ অসিদগী শকখঙদবশিংনা লুপা ৪৩,০০০০ লৌথোকখিবনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৫

## লোইরেদনা

লমদম অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম করম্বা ফিভমদা লৈরি?



পুরা শান্তিনি সার, হুরাল চীঙ্থি মীহাৎ–মীপুন তৌরসু ৱা–ৱা লাউনদ্রে। তুমিন–তুমিন্না হোৎনরে।

## হেক্তা হায়জিনবা

- করি তৌরে অমুক উংলিদুনা?
- ফাইরেল লোইখ্রে, লমতা অমুক লাক্লেনে।
- ইহে মসিদি ঙাওরেদনা।
- ঙাওদেহে, ফাইরেল থাসিনা মথা শাহনখ্রে। পুরা লুপা লিশিং ২০নি পুরগা পোৎয়েং পীখ্রিসে লুহোংবগীনে, নাহুৎপগীনে, লুগুন থাংবগীনে, য়ুম শঙ্গাবগীনে।
- অদু লোইখ্রে কৈদৌরগে, মথা শারগা কৈদৌরুদোইনো?
- লমতা অমুক লাক্লেনে।
- লমতানা কৈদৌরবা?
- থাবলগী পৈশা, হোলিগী দাক্ষিনা, স্পোর্টকী শেনখায়, লৈকাইগী চাক চানবগী শেনখায় ময়ামদুনিনে।
- মসি ঙাওদুনা শোয়দনা চৎখ্রনিসে ফাইরেল, লমতা হায়দুনা।
- ঙাওখিবনা ফদৌ মাল্লে।

## বি আর ওনা বরাক থোংদা প্রোব্লেম লৈহনবগী অরোনবা এজেন্দা করিনো?

# গভর্নমেন্টনা করিসু হায়বা ঙমদ্রবরা ?ঃ শিবচন্দ্র

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ ঃ মণিপুরগী মরুওইবা লাইফলাইন অমা ওইরিবা ইম্ফাল জিরিবাম নেসনেল হায়ৱে–৩৭ শেম্বগী থবক তৌরিবা বি আর ওগী মথক্তা মণিপুর গভর্নমেন্টনা করিসু তৌবা ঙমদবগী মওংদা বি আর ওনা তৌনিংবা তৌদুনা লৈবা করিসু হায়বা ঙমদ্রে। বি আর ওনা হায়দোকখিবা ৱাফম ঙাক্না চত্তবদা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা হায়দনা লৈরি। লম্বী অসি ফিভম ফগৎহল্লে হায়রবসু থোং অহুম লৈবগী মনুংদা বরাক থোংদা ঙাইহাক লৈতনা প্রোব্লেম থোকহল্লিবা অসিগী অরোনবা এজেন্দা করি লৈবগে হায়না বি জে পি, মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোয় আর কে শিবচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং বি জে পিগী ৱাঙাংলোয় অসিনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমগা লোয়ননা চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অমদা নেসনেল হায়ৱে অসিদা লৈরিবা বরাক অমসুং মক্রু থোংগী ফিভম য়েংশিনখি। লোয়ননা নোনেদা লৈবা ৮৩ শুবা আর সি সিগী কমান্দিং ওফিসার আর কে গর্গকসু উন্নখি।



খোঙচৎ অদুদা নেসনেল হায়ৱে অসিদা লৈরিবা বরাক থোং শেমজিনবগী মতাংদা মণিপুর গভর্নমেন্টকী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি ৱার্ক্স ওইরম্বা হৌজিক্কা চীফ সেক্রেটরিকী থৌ পুরিবা ও নবকিশ্বরনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং বি আর ওগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওনা পাঙথোকপা মীফম অমদা জিতেন কৌবা বি আর ওগী ওফিসার অমনা বরাক থোংগী হৌজিক হাপ্লিবা ষ্টিল দেক্কিংশিং অসি থা অনিগী উনা শিনে দাকপগা লোয়ননা ষ্টীল গার্দ হাপকে হায়না ফোঙদোল্লক্সা ৱাফম নোনেদা ফল্লিবা সি ও ৮৩ আর সি সি আর কে গর্গনা মহাক খঙদে হায়না ফোঙদোক্লকখি।

মসিগা লোয়ননা হৌজিক বরাক থোংদা টন ২৪ দগী হেন্না লানবা য়াদবগী অথিংবা অসিগা মরি লৈননা মণিপুর গভর্নমেন্টনা গেজেট নোটিফিকেসন থোকপা অদু বি আর ও খঙদে, মদু ষ্টেট গভর্নমেন্টনা তৌজবনি হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা থোং অসিগী মতাংদা আর কে শিবচন্দ্রনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা তোং অসিগী ষ্টিল দেক্কিংশিং অসি উগী দেক্কিংনা শিনে দাক্লবগী সেঙ্কসন ফংলে। মসিগীদমক পোৎ থারক্লবা হায়খ্রে। উশিং অদু হেক থুংলবগা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা শেন্বা লোইগনি হায়খি। অদুবু চপ চাবা মতম হায়য়ু হায়বদি গর্গনা মহাক হায়বা ঙমদে হায়খি।

খোঙচৎ অদুগা মরি লৈননা আর কে সিবচন্দ্রনা হায়, ঙরাংগী খোঙচৎ অদু মপুং ওইনা লমদম অসিগী প্রজাশিং অমসুং ট্রান্সপোর্টরশিংনা মায়োক্লরিবা অৱাবা কয়া অসি য়েংলগা প্রোব্লেমশিং অদু করিনো হায়বা খঙদোক্লবা ষ্টেট বি জে পি য়ুনিটকী প্রসিদেন্টকী অয়াবা য়াওরগা চৎপনি।

লৈবাক অসিগী করম্বা নেসনেল হায়ৱেদা লৈবা থোংদা টন ২৪ দগী হেন্না লানবা য়াদে হায়বা করম্বা থোং লৈবগে। স্পেসিফিকেসন চপ মান্না শারিবা মক্রু থোংদনা শাবা মতমদা উগী দেক্কিং হাপ্লগা করিগী বরাক্তনা ষ্টিলগী দেক্কিং হাপ্পনো। লোয়ননা বরাক থোংদা করিগী ষ্টীলগার্দ হাপ্তবনো।

মালেমগী চাউখৎপনা খম থেংলগা সমুদ্র মথক্তা থোং শান্নরবা মতম অসিদা মণিপুরদনা করিগী অসিগুম্বা থোং অসি শাবিবা লাইবক থিবনি।

...মখা লমায় ৫ দা

# রবিনা ১দি সঞ্জিৎ মীশিগী জষ্টিস পুথোকউ হায়দুনা অপুনবা লুপ্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ঃ ইং ২০০৩গী জুলাই ২৩দা খ্বায়রম্বন্দ কৈথেল ময়াইদা থোকখিবা টি ঐচ রবিনা অমদি সঞ্জিৎ মীশিগী জষ্টিস পুথোকউ হায়দুনা ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দি অপুনবা লুপনা শিন্দুনা ঙসি কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ৰাকৎ মীফম চথখ্রে।

কম্মিটি ওফ দি অপুনবা লুপনা শিন্দ্যা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটিশিং য়াওনা চথখিবা ৰাকৎ মীফম অদুদা অপুনবা লুপকী কনভেনর ফুল্লিন্দ্রো কোনসমনা হায়, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমশিংদা থোকখিবা কয়াদা সি বি আইনা থিগত্তুনা চেন্নখিবা কয়াবু মতিক চাবা দন্দি পিখিবগুম রবিনা অমদি সঞ্জিৎকী মীহাৎ অসিগীসু থিগত্তুনা দন্দি পিরক্কনি হায়বসি মীয়ামনা চাওনা থাজবা লৈখি। অদুবু রবিনা অমদি সঞ্জিৎকী কেস অসিদদি মীয়ামনা থাজবগী চাং অদু হন্থনরক্লি।

রবিনা অমদি সঞ্জিৎকী কেস অসিগা হায়ফেৎ মান্নবা মওংদা মপানলমগী গুজরাত্তা অমদি উত্তর্খান্দা থোকখিবা থৌদোকশিংদা লমদমদুগী গভর্নমেন্টনা লৈরিবা সি বি আই নত্তগা ইন্দিপেন্দেন্ট লো ইনফোর্স এজেনসিশিংদা শিন্নদুনা য়ান্না নিয়ম চুন্না মওং তানা থিগৎলগা মদুদা চেন্নরম্বা অৱাংবা থাক্কী পুলিস ওফিসারশিংনা য়াওনা দন্দি পিখিবা ঐখোয়না থেংনখ্রে।

লমদমসিদা, লালহৌবা নমথনবগী নমাদা ইন্দিয়ান আর্মি অমদি লোবু খুত্তা পায়রিবা পুলিসশিং য়াওনা চথবা শাসিন্নবা খুৎ থোক্লবা কয়া অমা থোকখ্রে। শাশিন্নবা খুৎ থোক্লবা অসি মমাংদা হান্না খং লমদ্রবসু সঞ্জিৎপু ফাখিবা অমদি শিনা পুথোরকপাগী ফোতোগ্রাফশিং টেহেলকা মেগাজিন্না পুথোরকপগী মণিপুর অমদি ইন্দিয়াদা নত্তনা মালেমদা ময়েক শেংনা উৎখ্রে।

অদুবু মীহাৎ অদুদা চেন্নবা অমদি মীহাৎ অদুবু ওইহল্লক্লবা শিনবদা য়াওবশিংগী মথক্তা ঙসি ফাওবা আইনগী ওইনা থিগৎপা নত্রগা দন্দি পিবনচিংবা অমত্তা লৌখৎলক্তবা অসিদা লমদমসিগী মীয়াম্না মণিপুরগী গভর্নমেন্ট, ইনি দয়া গভর্নমেন্ট খক্তা নত্তনা লৈরিবা জুদিসিয়ারি অমদি খ্বায়দগী চাওবা ক্রাইম কয়াগী মতাংদা থিগৎপদা খ্বায়দগী হেন্না হৈথোই শিংথোইরবা সি বি আই ফাওবদা থাজরক্তবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপগী ৱাফমশিং অপুনা লুপনা তাবা ফংলকখি। মসিদা তঙাই ফদনা মীহাৎ অসিগী মতাংদা মমুৎ তানা সি বি আইনা থিগৎপিদুনা মদুগী ওইবা রিপোর্ট অমা হায় কোর্ট নত্রগা কোর্ট অমদা লানখত্তুনা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু দন্দি পিবিয়ু হায়বগী ৱাকৎ মীফম অসি চথবনি।

মীহাৎ অসিগী মতাংদা, সঞ্জিৎপু মশামক্লা হাৎপনি হায়না মতমদুগী হেদ কনষ্টেবল ওইখিবা হেরোজিৎনা লোকেল অমদি নেস্নেল মেদিয়া ফোংদোকখিদা নত্তনা ওধ কম্মিস্নার অমগী মমাংদা কনফেস্নেল ষ্টেটমেন্ট অম ইদুনা সেসন কোর্টতা লাখৎখিবা লৈরে।

লোয়ননা, হেদ কনষ্টেবল হেরোজিৎনা হান্নগা মান্নদবা মওংদা কনফেস্নেল ষ্টেটমেন্ট পিরবনিনা কেস অসি নৌনা হাংদোক্তুনা ফর্দর ইনভেষ্টিগেসন তৌরগনি হায়বা সি বি আইগী ষ্টেটমেন্টসু লৈখ্রবনি।

জষ্টিসপু থেংথহনবা হায়বসি জষ্টিস অদু মাংহনবা হোৎনবনি হায়বসি ওইরবরা হায়বসি মণিপুরগী মীয়াম্না হংনরবনি। মপানলমদা থোকখিবা কেস কয়া কনভিক্সন পিখিবা লৈরে অদুবু মণিপুরদা থোক্লিবা রবিনা অমদি সঞ্জিৎকী কেস অসিগী মতাংদা লৱার কোর্ট অপ্পর কোর্ট হায়দনা ইন্থোক ইন্সিন তৌদুনা লৈরিবসিগী মহুত্তা জষ্টিস অদু পুথোক্লবা থবক হৌবিরো হায়না মখাতানা ফোংদোকখি।

# এম এল এ পৃথিবীরাজ হাউসকী প্রোসিদিংখক শরুক য়াবা য়াহনখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ ঃ ২৭–মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীহুৎ ওইনা মাইরেম্বম পৃথিবীরাজ হাউসকি প্রোসিদিংখক্তমক শরুক য়াবা য়াহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা মরক্কী ওইবা ওর্দর অমা সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস কুরিয়ন জোসেফ অমসুং জষ্টিস আর এফ নারিমান অনিগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা ঙসি তাখ্রে। অদুম ওইনমক হায়রিবা কেস অসি চয়োল ৮গী মনুং দা অরোইবা হিয়ারিং চথনবগী ওর্দর অদুদা পল্লি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৯দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমা কোর্ট অসিমক্লা মার্চ ২দা ষ্টে তৌখ্রবা মতুংদা পৃথিবরাজগী মায়কৈদগী ৱাফম অসি সুপ্রিম কোর্টতা কেস অমা ফাইল তৌখি।

কেস অদুগা মরি লৈননা ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা হিয়ারিং চথরবা মতুংদা কেস অসিগী পেটিস্নর ওইরিবা মাইরেম্বম পৃথিবীরাজ এলায়জ পৃথিবিরাজ সিংহ হাউসকী প্রোসিদিং য়াওবা নত্তনা ভোটিং তৌবা অমসুং এম এল এ অমা ওইবগী কেপাসিতিদা রিম্যুনরেসননচিংবা অমত্তা লৌবদি য়ারোই হায়না পল্লি। লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা হিয়ারিং চয়োল ৮গী মনুংদা অরোইবা হিয়ারিং চথবদা নাকল অনিনা য়ান্নখিবনা মেটর অসি লাক্লিবা মে ৫, ইং ২০১৬তা মখা চথনবা লেপ্নখি। মরক অসিদা নাকল অনিমক্লা মখোয়গী কাউন্টর এফিদেবিদশিং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না পল্লি।

ঙসি চথখিবা হিয়ারিং অদুদা পনবা য়াবদি, ইং ২০১২দা পাঙথোকখিবা ১০শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখল অদুদা মোইরাং কেন্দ্রদা আই এন সিগী মীরেপ ওইখিবা এম পৃথিবরাজনা মহাক্কী মীরেপচে পীশিনবা মতমদা মহাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা মহৈগী থাক অসি এম বি এনি হায়না এফিদেভিটতা লান্না হায়জিল্লে হায়না মহাক্কী লাম্বা ওইখিবা পি সরতচন্দ্রনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা থারকখিবা পেটিসিন নম্বর ১ ওফ ২০১২গী ওর্দর অমা ফেব্রুৱারি ২৯ দা লাওথোক্তুনা মহাক্কা মীখল অদুদা ফংখিবা ভোটশিং অদু চৎনরোই হায়না রাই পীখিবনি।

রাই অদুবু শিংনরদুনা থারকপা পিটিসন অমা মার্চ ১দা হায়কোর্ট অসিদা থারবা মতুংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এন কোটিশ্বরনা হিয়ারিং চথবগা লোয়ননা ফেব্রুৱারি ২৯গী ওর্দর অদু চয়োল মরিগী ওইনা ষ্টে তৌখিবনি। মখা তারকপদা পৃথিবরাজগী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎপদগী ঙসি হিয়ারিং চথরবা মতুংদা মরক্কী ওইবা রাই অদু সুপ্রিম কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চ অসিনা ঙসি পীখিবনি।

# রাজ মেদিসিটি ষ্টাফশিং ১দি রোমিতাগী মীওইশিংগা অকনবা মওংদা মুক্নখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ঃ নিংথিবী রেষ্টুরেন্টগী মপুগী লোয়ননবী লাইশ্রম রোমিতাবু মশকখংদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্তুনা লায়কন্নরম্লবা মতুংদা লৈখিদবা অদু নোর্থ এ ও সিদা লৈবা রাজ মেদিসিটিনা থৌশাদবদগী লৈখিদবনি হায়না রোমিতাগী ইমুং মনুং অমদি লৈকায় মীয়াম্না ঙসি নুংথিল রাজ মেদিসিটিদা থোমজিল্লকপদা হোস্পিতাল অসিগী ষ্টাফশিংগা অকনবা মওংদা মুক্নখ্রে। নাকল অমরোমদা রোমিতা লৈখিদবা অদু হোস্পিতালগী অশোয়বা অমত্তা লৈখিদে। ইমুং মনুং থোকহনজবনি হায়না রজা মেদিসিটিগী মাইকৈদগীসু ফোংদোকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, খুরাই অঙোম লৈকায়দা লৈবা নিংথিবী রেষ্টুরেন্টগী মপুগী লোয়ননবী লাইশ্রম রোমিতা (৩৭) মপুরোইবা সেনাপতি লৈখিদবা অদু য়ানিংদে হায়বা মরি লৈননা ঙসি খুরাই অঙোম লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা লৈকায় মীয়াম অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়াওনা ৱাকৎ মীফম অমা চথরবা মতুং নুমিদাং ৱাইরম পুং ৪ রোম তাবদা নোর্থ এ ও সিদা লৈবা রাজ মেদিসিটিদা থোমজিল্লকখি। রাজ মেদিসিটিগী নর্স য়াওনা ষ্টাফশিংনা থোরক্তুনা হোস্পিতাল অসিগী গেৎতা নাকল অনিগী মরক্তা অকনবা মওংদা মুক্নখি। তুংদা মশিং য়াম্লবা পুলিসশিং লাক্তুনা মুক্নরিবা অদু কন্ত্রোল তৌখি।

থোমজিল্লকপা অদুদা শরুক য়ারকখিবা লৈখিদ্রবী রোমিতাগী ইমুংনা মনুংদা পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবদা, রোমিতাবু নোংমৈনা পানবদগী শোক্তুনা পুখৎলক্লবা মতুংদা কি হোল সর্জরি তৌখি। অদুবু মবুক কংখৎলকপদগী অমুক হন্না ওপরেসন তৌদ্রদি য়ারারোই হায়দুনা ওপরেসন তৌখি। মদুগী মতুং ওপরেসন তৌখিবা হকচাংগী মফম অদু লায়জৌখি অমদি হাংদোল্লগা থমখি। মসিনা মরম ওইদুনা মহাক লৈখিদবনি মরম অদুনা হোস্পিতাল অসিনা দায়ত্য পুগদবনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, থৌদোক অদুগা মরি লৈননা রাজ মেদিসিটিগী এসিষ্টেন্ট জেনেরেল মেনেজর দিনেস ক্ষেত্রিময়ুমনা ফোংদোকখিবদা, অহানবা কি হোল সর্জরি তৌখিবা অদুদি থবাক মনুংদা লৈবা ঈ নাই লৌথোক্লবা তৌবনি। মদুগী মতুংদা এবদোমেনদা করিগুম্বা খরা ফংলে হায়দুনা তাং ২০দা ওপন সর্জরি তৌখি। মদুদগী মহাক্কী ফিভম ফগৎলকখি অমদি মতম খরা লৈনবা হায়খি। অদুবু ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা দিচার্জ তৌবিরো হায়বদগী তাং ৯দা দিচার্জ তৌখি অদুবু নোংমা কাল্লগা নোংমা চেক অপ লাক্লবা মখোয়দা খংহনখি।

...মখা লমায় ৫ দা

## কেবিনেটঃ

# পুলিস কনষ্টেবল ২৩০৬ অমসুং রাইফলমেন ৫১৯ লৌবদা কেবিনেটনা য়াখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল মার্চ, ১৮ ঃ ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা দিষ্টিক্টশিংদা সরকারগী সাসন নিংথিনা লৈহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টপু হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবা ঙসি ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফম্না কুপ্পা খন্নখিবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা থবক হাপ্পগী অথিংবা অসি কোমথোক্তুনা নুপা পুলিস কনষ্টেবল ২৩০৬ অমসুং রাইফলমেন ৫১৯ দাইরেক্ট রিক্যুট তৌননবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরীয়েটকী কেবিনেট হোলদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুগী মতাংদা মণিপুর গভর্নমেন্টকী ৱাঙাইলোইসু ওইরিবা এডুকেসন মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা ফোঙদোরকপদা নুপা পুলিস কনষ্টেবলগী ফম ২৩০৬ অমসুং এম আরগী রাইফলমেন ৫১৯ দাইরেক্ট রিক্যুট তৌগদৌরিবা অসিগী আর আর হান্নদগী খরা অহোংবা লৈরগনি। পুলিস কনষ্টেবলগী ওইনা হান্না ক্লাস টেন পাস ওইরম্বদু ক্লাস টুয়েল্ভ ওইরগনি। অদুগা এম আরগী রাইফলমেনগী ওইনা হান্না ক্লাস আইট ওইরম্বদু ক্লাস টেন পাস ওইরগনি। মহৈগী থাক ৱাংখৎহনবসিনা লৌগদৌরিবা পুলিস পার্সোনেলশিংগী ক্বালিটি হেনগৎহনগনি। নৌনা লৌগদৌরিবা পুলিস কনষ্টেবল অসি হান্নগী রিক্রুইট তৌনবা প্রোসেস তৌবা হৌরম্লগা লেপখিবা পুলিস কনষ্টেবল ২০০০ অদুগা মরী লৈনদে। মসি ইনৌ নৌবনি।

ঙসিগী মীফম অদুনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী তদুবী সব–দিভিজনগী মনুংদা লৈবা খুল ১৫ পুনশিল্লগা লাইরৌ সব দিভিজন কৌবা অনৌবা সব–দিভিজন অমা শেম্বদসু অয়াবা পীখ্রে।

অনৌবা সব–দিভিজন অসিগী অপুনবা মীশিং অসি ইং ২০১১গী সেন্সসকী মতুংইন্না ২৩,১৫৫নি। সব দিভিজন অসিনা কোনগদবা খুলশিংদি মরাম খুল্লাকপা শাগৈ, মরাম বজার, মরাম মথক শাগৈ, মরাম রামলোং, নিউ মরাম, মরাম সেন্তর, মরাম মখা শাগৈ, লাইরৌচীং, খোংনেম, মাও মরাম, মরাম শাগোম্বম, মরাম কাবানম, পুনি ফোসেমায়, নিউ মগায়মায় অমসুং সদিম নাগানি।অনৌবা সব–দিভিজন অমা শেমগদৌরিবসি খুঞ্জাশিংগী খুদোংচানবনি হায়খি।

মীফম অদুনা মণিপুরগী পৱার কঞ্জুমরশিংগী খুদোংচানবগীদমক

...মখা লমায় ৫ দা

# মুডানা ঙসি দিপার্টমেন্ট ১১গী ফিভম য়েংশিনখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল মার্চ, ১৮ ঃ স্বচ ভারত মিসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অর্বান দিভলমেন্ট এজেন্সি (মুডা)না থা তরুক খুদিংগী চথবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরশিংদা থা অসিগী ১৭তগী দিপার্টমেন্টশিং য়েংশিনবগী খোঙজং ঙসিসু লেপ্পা লৈত্রি।

থা অসিগী ২১ দা লোয়গদবা মুডাগী য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুগী মনুংচন্না ঙসি জর্জ অহুম য়াওনা ঙসি ইম্ফালগী তোঙান–তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ১১য়েংশিনখ্রে। ঙসি জর্জ অহুম য়াওনা য়েংশিনখ্রবা দিপার্টমেন্টশিং অদুদি মণিপুর ফয়ার সর্ভিস, কৈশাম্পাৎতা লৈবা এডুকেসন (য়ু) ওফিস, পুলিস হেদ ক্বাটর, ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট, দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, ওল্ড সেক্রেটরীয়েট, নিউ সেক্রেটরীয়েট, ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন, টি দি দিপার্টমেন্ট, দি আই পি আর অমদি প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনি। অয়ুক পুং ১১দগী হৌখিবা য়েংশিনবগী থবক অদুদা য়েংশিনবা অদুদা য়াওরিবা জর্জ অহুম অদুনা দিপার্টমেন্টশিং অদুগী চপ চাবা রেকোর্দ লৌখৎখি। মরুওইনা থা অসিগী ১৭ তগী য়েংশিনবা হৌরকখিবা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী ম্যুন্সিপাল কাউন্সিলদা লৈরিবা ওফিসশিং য়েংশিনবা অসি দিপার্টমেন্টশিং অসিগী লুন্ন–নান্না থম্মবগী পান্দমদা লেট্রিন, টোইলেৎকী মফমশিং য়েংশিনবনি। স্বচ ভারত মিসনগী মখাদা য়েংশিনবগী থবক অসি থা অসিগী ২১ ফাওবা চথরবা মতুং খ্বাইদগী নানবা দিপার্টমেন্ট অদু খনগৎলগা থা অসিগী ২২ দা মদুগী ফল লাউথোক্কনি হায়রি।

# কেবিনেটকী ৱারেপ থৌওইদ্রে

## কাংবাইগী মহুত্তা থাংতিং সব–দিভিজনগী মিংদা ওর্দর অদুম্মক থোক্লি

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ ঃ মণিপুর গভর্নমেন্টকী কেবিনেট মীফম্না লৌখিবা ৱারেপ গভর্নমেন্ট অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোর্মসনা খঙদ্রবরা নত্রগা থৌওইদব্রা অমদি তৌরে। দিপার্টমেন্ট অসিগী পার্সোনেল দিভিজন্না থোকপা ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী ওর্দরদা মণিপুর গভর্নমেন্টকী কেবিনেট মীফম্না থাংতিং সব দিভিজনগী মহুত্তা কাংবাই সব দিভিজন ওন্নবা ৱারেপ লৌখ্রবসু ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী ওর্দর থোকপদা থাংতিংগী মীংদা থোক্লি।

মণিপুর গভর্নমেন্টনা মণিপুরগী চীংগী লমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন হেন্না লৈহন্নবা পান্দমদা লোয়ননা চীংগী প্রজাশিং মনুং হঞ্জিনবা সব দিবিজনেল হেদক্বার্টরশিংদা চৎপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদু য়েংলগা অনৌবা সব দিভিজন হাংদোকপদা য়াওখিবা থাংতিং সব দিভিজন য়াওখিবনি।

অদুবু হায়রিবা সব দিভিজন অসিগী মীংদা চয়েৎনবা লাকপগা লোয়ননা মীয়ামগী ইহৌ লাকপদগী হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১০ দা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম্না থাংতিং সব দিভিজন অসি কাংবাই সব দিভিজন হায়না মীং ওন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি ষ্টেট গভর্নমেন্টকী কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী হায়রিবা থাংতিং সব দিভিজন অসি কাংবাই সব দিভিজন হায়না মীং ওন্থোকপগী ওর্দর থোকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা মণিপুর গভর্নমেন্টকী

...মখা লমায় ৫ দা

